# প্রসিদেন্ট কোবিন্দ অমসুং পি এম নরেন্দ্র মোদিনা মহাত্মা গান্ধী, লাল বহাদুর শাষ্ট্রিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। গান্ধী জয়েন্তিগী মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরনা রাজঘাটতা চৎতুনা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। বিজয় ঘাটতসু মহাক্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর লাল বহাদুর শাষ্ট্রিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি ভবনদা ইন্টরনেসনল সেনিটেসন কনভেন্সন অমা পাঙথোকখি। নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অদুদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা সেনিটেসন মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াখি।

গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা দিজেটেল এগজিবিসন অমা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেজগা লোয়ননা য়েংমিন্নখি। শক্ন ইরবা লুচিংবশিংনা মহাত্মা গান্ধীদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা পোষ্টেজ ষ্টাম্প অমা অমসুং সী দি অমসু ফোঙখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা স্বাছ ভারত এৱার্দ য়েন্থোকখি। তুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্টরনেসনল সোলর এল্লাইয়েন্সকী মীফম অমা হৌদোকখি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেংকয়া নাইদু অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বিজয় ঘাটতা চৎতুনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর লাল বহাদুর শাষ্ট্রিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লাল বহাদুর শাষ্ট্রিগী ১১৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা হায়খি, লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিনা গ্রীন রেভোল্যুসনগী মতাংদা লৌরম্বা থৌদাং লৈবাক অসিদা মতম পুম্বগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯০৪ গী ওক্টোবর ২ দা উত্তর প্রদেশকী বরানাসিদা সার্দা প্রসাদ অমদি রামদুরালিগী মপারী ওইনা রবি শাষ্ট্রি পোকখি। কুমজা ১৯৬৬ কী জান্যুৱারি ১১ দা উজবেকিষ্টানগী টাস্কেন্ততা টাস্কেন্ত দিক্লারেসন খুৎয়েক পীনরবা মতুং নোংমা লৈরগা শাষ্ট্রি অরোইবা য়াহিব তানখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা ভারত রত্না এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখিবা মীওই শাষ্ট্রিনা অহানবনি। কুমজা ১৯৬৬ তা মহাক খ্বাইদগী ৱাংবা সিবিলিয়ান এৱার্দ অসি ফংখি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমদি পার্টিগী অতৈ সিনিয়র লিদরশিংনা মহারাষ্ট্রাগী সেবা গ্রামদা লৈবা সেবা গ্রাম আশ্রমদা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লাইশোন থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স (য়ু পি এ) গী চ্যের পার্সন সোনিয়া গান্ধী, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমদি কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী) গী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

কুমজা ১৯৮৬ কী নুমীৎ অসিমক্তদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং রাহুল গান্ধীগী অপোকপা রাজিব গান্ধীনা উ পাম্বী অমা থারম্বা মফম অমগী মনাকমক্তদা রাহুলনা উ চারা অমা থাখি।

থৌরমগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অহমদ পটেলনা হায়খি, মহাত্মা গান্ধীগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা হায়বসি কোংগ্রেসকী ওইনদি অনৌবা অমা নৎত্রে। গান্ধীজি অমসুং সর্দার পটেলবু নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোকপা বি জে পিগী ওইনদি হন্দক্না অহানবনি।

লাইশোনগী থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী ওপোজিসন লিদর গুলাম নবি অজাদ, কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর সিদারময়া, পুদুচেরিগী চীফ মিনিষ্টর ভি নরায়নাসামি, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর শিবরাজ পটিল, সুসিল কুমার সিন্দে, এ কে এন্টোনি, হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বি এস হুটা অমদি উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা হরিস রাৱটসু শরুক য়াখি।

# লৌমীশিংগী খোঙজং অথুবা মতমদা হন্দোকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০২(এজেন্সী): ভারতিয়া কিষান য়ুনিয়ন (বি কে য়ু) গী লুচিংবশিংগা উনদুনা ৱারী শানবদা সেন্টরনা লৌমীশিংগী দিমান্দ অয়াম্বা অয়াবা পীরগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হায়খি, হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা সেন্টরগী মহুৎ শিল্লগা বি কে য়ুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শানবদা ৱাফম অয়াম্বদা য়ানবা পুরক্লে। লৌমী লিশিং কয়াগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা বি কে য়ুনা থাজবা পীরম্বগী মতুংইন্না অথুবা মতমদা লৌমীশিংগী খোঙজং হন্দোকপা য়ানা লৈরে।

মমাঙদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংদা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না লাউথোকখি। এ এন আইগা ৱারী শানখিবা অমদা আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা কেজ্রিৱালনা হায়খি, লৌমীশিং দিল্লিদা চঙহন-খিদবগী থৌওং অদু কন্দেম তৌফম থোকই। তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লৌমীশিংনা কিষান ক্রান্তি পদয়াত্রাগী শরুক অমা ওইনা দিল্লিদা চঙনবা হোৎনরকপদা অথিংবা পীখিবনি।

চৈরকসিদা, সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অখিলেস য়াদবনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টর লৈঙাক্না লৌমীশিংদা নমথাক তৌবীরে। মীখল মমাঙদা এন দি এনা শকখিবা ৱাশক অমত্তা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে। লৌমীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা মপুং ফানা শৌগৎলগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি কোংগ্রেসনসু বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাকপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসকী স্পোক্স পার্সন রন্দিপ সুর্জেৱালানা হায়খি, মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমীৎতা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি বৃটিশ লৈঙাক্না খেন্নবা অমত্তা লৈত্রে। সেন্টরবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু) গী লুচিংবা কে সী টিয়াগিনা হায়খি, ঈং-তপ্পা মওংদা রাজঘাট তম্না লাকখিবা লৌমীশিংদা টিয়ার গ্যাস সেল কাপশিন্দুনা অমদি চৈনা কন্দুনা তানখায়খিবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। হিরম অসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা ৱারী শানরে।

# তিরুবনন্তপুরমদা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই মঙা ফারে

তিরুবনন্তপুরম ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): বিজিঞ্জাম পুলিসনা ঙসি তিরুবনন্তপুরমদা থি-হুন্বগী থবক চথবদা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই মঙা ফাগৎপা ঙমখ্রে। অহানবা ফংবা রিপোর্টনা হায়, ফারবা মীওইশিং অদু হায়দ্রবাদতগী তিরুবনন্তপুরমদা থুংলখিবনি। মখোয়না রেলৱে ষ্টেসন্দগী রিক্সো অমা তোংলগা বিজিঞ্জামদা থুংলখি।

ফারবা মীওইশিং অদু য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন) না পীবা রেফ্যুজি আইদেন্টিটি কার্দ পায়রম্বা থেংনখি। হৌখিবা মতম খরগী মনুংদা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই লাখ ৭ হেন্না ম্যান্মারদগী চেন্থোরক্লগা য়ুল্লোন্নরিবা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈখ্রবনি। য়ু এনগী রিপোর্ট অমনা হায়, ম্যান্মারগী মিলিটরিনা মরাল লৈজদবা রোহিঙ্গাগী ফুরুপকী মীওই কয়া মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোকপীবগা লোয়ননা নুপী কয়া ফম্লানবগী থৌওং চথখি। ম্যান্মারনদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা হায়খি, রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই অয়াম্বা টেররিষ্ট ঙাক্তনি।

# জজশিংনা থবক্তগী পোথাবগী মতম চহী ৬৫ দা হেনগৎহন্নবা এটোর্নি জেনরেলনা পুখৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): সুপ্রীম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টশিংগী জজশিংনা থবক্তগী পোথাবগী মতম মথংশিংনা চহী ৬৫ অমসুং ৬২ ওইহনগদবনি হায়না এটোর্নি জেনরেলনা কে কে ভেনুগোপালনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, জজশিংনা ফংলিবা থাগী তোলোপ অসি উকিলশিংনা তাল্লিবা শেনফমগা চাংদম্নবদা কা হেন্না পীকমল্লে। মরম অদুনা জজশিংগী তোলোপ শরুক অহুম হেনগৎহনবা মথৌ তাই। ফম থাদোকখ্রবা সুপ্রীম কোর্টকী চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রাদা কায়ন য়াথং পীবগী থৌরম অমদা এটোর্নি জেনরেলনা হায়খি, লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক অফবা জজ খনবা হায়বসি অরাইবা থবক নত্তে। মরম অদুনা জজশিংগী তোলোপ অমসুং থবক্তগী পোথাবগী মতম হেনগৎহনবা তঙাইফদে।

মতম লোইরদুনা ফম থাদোকখ্রবা জষ্টিস দিপক মিশ্রাবু শিংথারদুনা মহাক্না হায়খি, জষ্টিস দিপক মিশ্রানা তেল্লবা মতমগী মনুংদা মশক থোকপা ৱায়েল কয়ামরুম পীখি। মরুওইনা নুপীবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্মী। থবক্তগী পোথাবগী মতম হেনগৎহনবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াদা হৌজিক চাংচৎতা মীওই অমনা পুন্সিবগী মতম চহী ৭৩ নি। মরম অদুনা হায় কোর্টকী জজশিংবু চহী ৬২ অমসুং সুপ্রীম কোর্টকী জজশিংবুনা চহী ৬৫ শুরকপদা থবক্তগী পোথাহনবা মরম চাদে।

উকিলগী শিনফমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবা মতুংদসু মখা তানা প্রক্তিস তৌবা থেংনরি। চহী ৬৫ হেল্লবা উকিল কয়া অরুবা কেসশিং পায়দুনা পেকেজশিং পায়বা মীয়াম্না উবা ফংই। মরম অদুনা হায় কোর্ট অমদি সুপ্রীম কোর্টকী জজশিং থবক্তগী পোথাবগী মতম শাংদোকহনগদবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং জজশিং ফম্মিন্নদুনা মশক থোকপা ৱারেপ অমা লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মশক নাইবা জজশিং মনুং মতম চাদনা থবক্তগী পোথাহনখিবদা নুংঙাইতবা পোকই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অন্না হজারেগী চরা হেনবগী খোঙজং য়ৈথোকখ্রে



অহমদনগর, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): মতিক চাবা লোকপাল শেমদবগী মায়োক্তা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা অন্না হজারেগী খোঙজং হন্দোকখ্রে।

মহারাষ্ট্রাগী মিনিষ্টর গিরিস মহাজনগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা গান্ধীয়ন এক্টিভিষ্ট অসিনা খোঙজং হন্দোক্নবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি। মমাঙদা অন্না হজারেনা ওক্টোবর ২ দগী হৌনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বনি। লৈবাক অসিদা শেঞা-থুমজা থিংনবগী পান্দমদা মতিক চাবা এন্টি করপসন ওম্বুদসমেন্ট নৎত্রগা লোকপাল শেমগদবনি হায়না মহাক্না তকশিন্দুনা লাকখি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকপু মরাল শিরদুনা অন্না হজারেনা হায়খি, মীখল মমাঙদা বি জে পিনা শেঞা-থুমজা মুথৎকনি হায়না লাউথোক-খ্রগা হৌজিক ফাওবা মতিক চাবা লোকপাল অমদি লোকআয়ুক্তা শেম্বা লৈতে। কুমজা ২০১১ দা মতম কত্তবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবা হজারেনা হায়খি, কুমজা ২০১১ গী ওগষ্ট ১৬ তা মীয়াম্না লোকপাল অমসুং লোকআয়ুক্তা শেমগদবনি হায়না অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদুনা মরম ওইরগা বি জে পিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়বা ঙম্লকখিবনি। অদুবু মীখল মমাঙদা লাউথোকখিবা খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফম অমা হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক নুমীৎ ওক্টোবর ২ দগী রালেগান সিধিদা শিদ্রিবফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না অন্না হজারেনা মমাঙদা লাউথোকখি।

মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী লৈঙাক্না কম্মিসন ফোর এগ্রিকলচরেল কোষ্ট এন্দ প্রাইসেস (সী এ সী পি) দা ওটোনোমি পীগনি হায়না লাউথোকখ্রগা হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোরক্তে। লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা পোথোক খুদিংমক্কী মতমগা চান্নবা মমল ফংবা ঙমদবনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৌমীশিং মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক থোক্লি।

অন্না হজারেনা হায়খি, লৌমীশিংনা য়াম্না ৱানা পুথোরকপা পোৎলমশিংগী শেন্দোং মীওই খুজোক খরনা লৌদুনা লৈরে। মরম অদুনা সী এ সী পিদা ওটোনোমি পীদুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। হিরম অসিগা মরী লৈননা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা মীয়ামদা কয়ারক হন্না থাজবা পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পায়খৎলকপা লৈত্রি। অথুবা মতমদা সেন্টর লৈঙাক্না লোকপাল অমদি লোকআয়ুক্তা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

# বিহারদা মীওই লাখ ১.৬১ অথিংবা থুগায়বগীদমক ফাখ্রে



পত্না, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): য়ুগী অথিংবা থুগায়বগীদমক বিহারদা হৌখিবা চহী অনী মখায়গী মনুংদা মীওই লাখ ১.৬১ ফাখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবদা শুপ্নগী মীওই ১৪১ কনভিক্সন পীবদা ঙাইহৌরি হায়না এক্সাইজ এন্দ প্রোহিবিসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল ৫ দা নিতিস কুমারনা লুচিংবা জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু) না লৈঙাক পায়খ্রবা মতুংদা য়ুগী অথিংবা থমখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা অথিংবা থুগায়বগীদমক কেস লাখ ১.৩৩ লৌখৎখি। পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফম লাখ ৪ রোম হেনবদা থি-হুন্বগী থবক চথখি। এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনসু মফম লাখ ২ হেনবদা থি-হুন্বা চথদুনা য়ুঙাঙ লিটর লাখ ১৬ অমদি য়ুঙৌ লিটর লাখ ৯ ফাগৎখি। হৌজিক ফাওবদা য়ুগী অথিংবা থুগায়বগীদমক মীওই লাখ ১.৬১ হেন্না ফাগৎলবসু মরাল লৈরে হায়না কনভিক্সন পীখিবদি শুপ্নগী মীওই ১৪১ খক্তম ঙাইহৌরি।

অমরোমদা, বিহারগী কাইমুর দিষ্ট্রিক্তা ফাগৎলকপা য়ুশিং উচিনা মাঙ-তাকহল্লম্লে। লোকেল সব-দিভিজনল মজিষ্ট্রেট কুমারী অনুপমানা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফাগৎলবা য়ু পুম্নমক মাঙ-তাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলুবদা উচিনা চিকথৎপদগী মাঙজৌননা মাঙ-তাক্লম্বা থেংনখি।

হৌখিবা চহী ২ গী মনুংদা ফাগৎলকপা য়ুঙৌ অমদি বিয়ার বট্টল ১১,৫৮৪ উচি চিকথৎপদগী অমাঙ অতা থোক্লম্বা থেংনখি। ফাগৎলকপা য়ু থল্লিবা মফম অদু উচি য়াম্না লৈবা মরম্না পোৎলমশিং অদু অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনরি।

# কোলকটাদা বোম পোকখায়বদা মীওই অমা শিরে তৃণমুল কোংগ্রেসনা আর এস এসতা মরাল শিখ্রে



কোলকটা, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): অৱাংথংবা কোলকটাগী নগর বজারদা মতিক ময়াই লৈবা বোম অমা পোকখায়খিবদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক অপন নংখ্রে। পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা দমদম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কাজিপারাদা উহৈ য়োনবা দুকান অমগী মনাক্তা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা মনাক নকপা দুকান কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখি। কমদৌনা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

থৌদোক অদুদা মীওই কয়ামরুম অশোক অপন নংলে হায়না বরাকপুর পুলিসকী কম্মিস্নার রাজেস কুমার সিংহনা ফোঙদোকখি।

ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট (সী আই দি)গী অখন্নবা বোম স্কৱাদ অমনা থৌদোক থোকফমদা থি-হুন্বগী থবক চথদুনা অশেংবা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা হোৎনরি। থৌদোক থোকফমদগী চিংননিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়ামরুম ফংলবসু কমদৌনা অমসুং কনাদা এটেক চথনবগী মওংদা বোম পোকখায়হনখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না সী আই দিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, তৃণমুল কোংগ্রেস (টি এম সী) না থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) দা মরাল শিখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিনিষ্টর পুরনেন্দু বাসুনা হায়খি, মীশি-মীনা য়াওখিবা থৌদোক অসিদা রাষ্ট্রিয়া স্বয়ম সেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) কী খুৎ শোয়দনা য়াওরমগনি।

মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিগী লুচিংবা মুকুল রোয়না হায়খি, করিগুম্বা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অসিদা আর এস এসকী খুৎ য়াওই হায়না চিংনবা থোক্লবদি নেসনল ইনভেষ্টি-গেসন এজেন্সী (এন আই এ) দা মপুং ফানা থিগৎহন্দুনা অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনগদবনি। পামদবা থৌদোক অমা থোকপা খুদিংগী তৃণমুল কোংগ্রেসনা বি জে পি অমসুং আর এস এসতা মরাল থংজিনবগী থৌওং খুদক্তা লেপকদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোলকটাগী দমদম নগর বজারদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মশাগী চহী ৮ খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা শিখিবগা লোয়ননা নুপী অমা য়াওনা অতোপ্পা মীওই কয়ামরুম অশোক অপন নংখি। শোক্লবা মীওইশিং মনাক নক্লবা লৈবা আর জি কার মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

# সুভাস চন্দ্র ফাউন্দেসন্না মীয়ামগী খল্লগা দেশ ক সচ লোঞ্চ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): লৈবাক মীয়ামগী মরম চাবা ৱাকৎ পুখৎনবগী খুদোংচাবা পীবা ওইনা সুভাস চন্দ্র ফাউন্দেসন্না দেশ ক সচ কৌবা থৌরাং অমা লৌখৎখ্রে।

মীয়াম্না মরুওইবা ৱাকৎশিং পুখৎনবা হোৎনবদা ফাউন্দেসন্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা ফাউন্দেসনগী লুচিংবা সুভাস চন্দ্রনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈবাক্কী য়াম্না মরুওইবা ৱাফমগা মরী লৈননা পিটিসন অমা থাঙ্গৎপা মতমদা ফাউন্দেসন্না মতেং পাংগনি। শাংলবা চহী কয়া মীচম মীয়ামগী খোল্লাউ নমথদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি ফাউন্দেসন অসিনা মীয়ামগী খোল্লাউ পুম্নমক মরী লৈনবা ওথোরিটিগী নাকোং য়ৌহন্নবা হোৎনরগনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সুভাস চন্দ্রনা এজেন্সীদা হায়খি, কনাগুম্বনা ৱাকৎ অমা পুখৎকে হায়রবদি য়ামদ্রবদা মীওই লিশিং ১০ না শৌগৎপা ৱাফম ওইগদবনি। লৈবাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা মীওইশিং অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা অৱাবা তারবা মীয়াম্বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা হায়বসি ফাউন্দেসন অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি হায়নসু সুভাস চন্দ্রনা ফোঙদোকখি।

চহী কয়াগী মমাঙদগী ফাউন্দেসন অসিনা ইন্দিয়াবু মালেমগী মাঙজিল থাখ্রবা অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংগা থাক মান্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি হায়রি।

# ইন্দিয়া, ভিয়েটনামগী কোষ্ট গার্দশিংনা লানগী শাজেল পাঙথোক্কদৌরি




চেন্নাই, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি ভিয়েটনামগী কোষ্ট গার্দশিংনা অপূনবা লানগী শাজেল অমা পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, শগোলশেন নুমীৎতগী হৌগদৌরিবা লানগী শাজেলদা ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দকী ওইনা জহাজ অহুম, হেলিকোপ্টর অমা অমসুং দোর্নিয়র অমা শরুক য়াগনি। ভিয়েটনামগী ওইনদি লানগী শাজেল অসিদা শুপ্নগী জহাজ অমখক শরুক য়াগনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা শাজেল অসিদা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ ওসিন টেক্নোলোজি (এন আই ও টি) গী জহাজ সাগর মঞ্জুসাসু শরুক য়াগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমসুং ভিয়েটনামনা ঙরাং মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী কোষ্ট গার্দশিং অমনা অমগী মতেং পাংনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রবনি। ৱারী শানবগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দকী দিরেক্টর জেনরেল রাজেন্দ্র সিংহ অমসুং ভিয়েটনাম কোষ্ট গার্দকী কম্মান্দর, মেজর জেনরেল ঙুয়েন ভেন সোননা শরুক য়াখি।

হিরম অসিগী মতাংদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, লৈবাক অনীনা খুৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর-ষ্টেন্দিংদা য়ুম্ফম ওইরগা অমনা অমগী মতেং পাংনরগনি। পনবা য়াবদি, লৈবাক অনীগী কোষ্ট গার্দশিং কুমজা ২০০১ দগী হৌনা মতেং পাংনদুনা লাকখিবনি। হায়রিবা চহী অদুদা ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দকী জহাজশিং অহানবা ওইনা ভিয়েটনামদা থুংখি। লানগী শাজেলদা শরুক য়াগদবা ভিয়েটনামগী জহাজ চেন্নাইদা থুংলরে।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES**

**CIRCULAR**
Imphal, the 29th September, 2018

No. VFA/TRG/2018-Vety.: The result of Entrance Test for selection of suitable candidates for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course for the academic session, 2018-19 held on 23rd September, 2018 has been declared and the details of which can be seen from the Notice Board of the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur, Sanjenthong and Departmental website **www.vetymanipur.nic.in**. Further, the selected candidates are hereby informed to report to the Principal, Veterinary Field Assistant Training Centre, Khumbong, Imphal West on or before 8th October, 2018 along with necessary documents in original and 3 (three) recent passport size photographs for admission without fail.

Sd/-
**H. Chaoba Singh**
Director, Vety. & A.H. Services, Manipur.

HL-P/2229/2&3